# ঐহাক্না ফুটবোল শান্নবসি ঐবু পোকপী ইমানদি শুকয়া য়ারকখিদে, অদুনা শান্নবা হৌরকপা মতমদা ইমাগী চৈফু য়াম্না চারকখি



এল আশালাতা
*(ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর)*

(ঙরাংগী মখা)

ওজা চাওবনা কন্না হায়রকপদগী, ঐহাক কুমজা ২০০৮সিদা দিফেন্দর শান্নজরকখি। লোয়ননা কুমজা ২০০৯ সিদদি ঐহাক বেষ্ট দিফেন্দরগী মনাসু লৌজবা ঙমজরকখি। অদুদগীদি ঐহাক তপ্না তপ্না দিফেন্দরগী পোজিসনসিদা মখা তানা শান্নজরকখ্রে। মমৈদদি, ওজা চাওবনা ঐগীদমক খনবীরকপা পোজিসনসি চুম্লমাল্লে হায়বা অমসু খল্লকখ্রে। অদুদগীদি ঐগী ৱাখলদা পেন্দবা অমত্তা লৈখিদ্রে। অসুম্না ঐহাক দিফেন্দর শান্নরোয় ওইনা লাকচখি।

অদুগা, শান্নবা হৌরকপা মতাংদদি ইমুংগী সপোর্ট য়াম্না ৱাৎলকখি। ইমানসু ফুটবোল শান্নবসি শুকয়া য়ারকখিদে। অদুনা শান্নবা হৌরকপা মতমসিদা ইমানা য়াম্না ফুরকখি। স্কুলদগী হেক হল্লকপগা লাইরিক খাউ লঙশিল্লক্লগা তুমিন তুমিন শান্নবা চৎলকখি। নুমিদাংৱাইরম শান্নবা লোইদুনা হঞ্জিল্লকপা মতমদা ইমানা থোঙ্গালদা ফুগদবগী অদুম ঙাইরগা লৈরমগনি। হায়বা ইন্দে হায়দুনা থিনা থিনসু ফুরকখি। নুপী ফুটবোলসি ঐখোয় মমাঙদা শান্নরম্বা য়াইরিপোক মায়কৈরোমদা খরসু লৈরম্মী। মখোয় অয়াম্বা অমত্তা মী ওইদনা ময়ুম ঙন্না পাল্লগা লোইশিনখি। মখোয়শিংদুদা প্রমান তৌ তৌদুনা অদুম চৈরকখি। নুপীনা শান্নরগা করি কান্নদোইনো ওইসু ওইরোইদবদা, লাইরিক-লাইশু নিংথিনা তৌগেদি হায়দদুনা অরেম্বদা মতম মাঙহল্লিবনি হায়দুনা ইমাগী চৈফু য়াম্না চারকখি। অদুগা পুম্নমকপু য়োকপী-থাকপীরকখি। ইমাদি মুগা রানী ফি শাই। থবক য়াম্না কল্লি, থা অমদা অতাঙবা রানী ফিসি অহুমগুন্বা শাবা ঙম্মী। ৱানা থবক শুরগা মচা-মশু থাকপা ওইবনা ঐনা শান্নবদা লুপ্তুনা লৈবদু ইমাগী অপাম্বা ওইখিদে। অদুনা ইমাগা ঐগদি য়াম্না খৎনরকখি। ববানদি থোইনা অথিংবা পীরকখিদে। মশানবু পামজরবদি শান্নজসনু কৈনো হায়দুনা ঐনা শান্নবদা খক চৈরকখিদে। মরক্তুদা শান্নবা হৌরকপা মতমসিদা ঐনা শোকপসিদি অঙকপনি। খুকউ, খোঙজেং মসিগুম্বসিদা য়াম্না তোয়না অশোক-অপনসি থোল্লকখি। শান্নবদগী শোল্লকপসি শেক শেক্তুনা লাক্লগা য়ুমগী থোঙ্গাল হেক য়ৌরকপদদি করিমত্তা নাদবা

> **রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
> **ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা**

ঐবু পোকপী ইমাসি লাইরিক হৈতে। অদুনা মচাশিংদি লোইনমক লাইরিক হৈহন্নবা হোৎনগনি হায়দুনা মচা ঐখোয়গীদমক কন্না হোৎনবীরকখিবা মমা অমনি। ঐখোয় ইচিল ইনাও তরুকসিগী মনুংদা মখোয় মঙাদি ইমানা প্রাইভেট স্কুলদসু লোইনা থারকখি। ববাসু ঙাগী ফার্ম তৌদুনা, কিহোম থাদুনা ইমুং-মনুং পুনবা মতম মতমগী থবক শুরগা ঐখোয় শাদুনা য়াম্না শেম-শারগা তপ্না তপ্না চঙলক্কনি। পুম্নমক্তু নুমিদাং ফুঙ্গা মপান্দা ফমদুনা মৈ য়াইমিন্নবা মতমদা ইবোক্তা (বাবা পোকপা) লোইনা তমগনি। ইবোক্কদি ঐবু য়াম্না লুনা তৌরকখি। মশু অহল ওইদুনা নুংশিনা লুনা চান্না তৌবীদুনা ঐনা হায়বা ৱাগসি ইবোক্কদি নুংশিনা অদুম তাবি। ঐনা খোঙ-খুৎতা শোল্লকপগী পাউ তম্বদা ইবোক্না





ইমা তাহন্দনা তুমিন্না হায়রক্কনি, মী মচাশিংদি অমত্তা শোক-পল্লি তাদে, নঙনা হেক্তা শোকহল্লিদু করিগীনো? য়েঙ য়েঙদুনা শান্নৌ য়াদ্রো নঙবু ...। মদুদা ঐনা অমুক তপ্না খুমগনি, ইবোক শান্নরদি খরা শোকপা তাবনি। ঙম্নবা কাউথৎনরিনে, অতৈসু শোক্লবা ঙাক্তনি। ঐ ইতোমতা শোকপা নত্তেদা। অসুম্না ইবোক্কা ঐগদি তুমিন তুমিন ৱারী তত্তনা শান্নরকখি। ঐবু লুনা তৌবীরকপনিনা ইবোকসি ঐনসু য়াম্না নুংশিজরকখি।

ঐহাক্না ফুটবোল মপুং ফানা শান্নবা ঙমজরকখিবা অসিদি ঐগী হেক কাকা দেবেন্দ্রোনা ফুল সপোর্ট তৌবীরকপদগীনি। ঐনা শান্নবা খরা খরা হৌরকপা, চহী অমরোম অদুৱাইদা ঐখোয় কাকাসি লৈকাইগী ক্লবকী সেক্রেটরী ওইরকখি। ঐনা ফুটবোল প্রেক্টিস লোন্না লোন্না চৎপা, থৱায় কন্না য়াওবদুদা কাকানসু ইমাদা শান্নহল্লসি হায়বীরকখি। অহানবদা য়ানিংলমদ্রবসু কাকানা সুম তত্তনা হায়বদগী মমৈদদি য়ারকখি। অদুবু শান্নবগী মপোৎ মচৈ লৈবা, শান্নবা চৎপগী শেল-থুমগা হায়রুবদদি নোংমতা হরাও হরাওনা পীরকখিদে। অদুনা কপ্ল-লাউনরবা মতুংদা পীরকপনা অয়াম্বনি। ঐগী অহানবা শান্নবগী বুট, ইক্যুইপমেন্ট ময়ামসি কাকানা লোইনা লৈবীরকপা ঙাক্তনি। ইমাগী ওইনদি লাইরিক-লাইশুগা মরী লৈনবা বোই, কলম লৈগে, লাইরিক লৈগে হায়রবদি অদুম পীরক্কনি। শান্নবা চৎকে, বস তোঙননবা পৈশা খিত্তা পীয়ু হায়রুবদদি লৈতে হায়দুনা লাউরক্কনি। নঙসে, শান্নগনু হায়বসু য়াদে, অসুক থিনা থিনা ঙাংবসিদা করিমত্তা খন্দবা, নঙমুক ইকায়বা খঙদবসি পুন্সিদা অমুক্তা হেক উজদ্রি হায়দুনা ঐঙোন্দা অদুম ঙাংলগা লাকখি। ইমানা ফনা থিনা চৈরবসু, ঙাংলবসু, ঐগী শান্ননিংবগী ময়াইদুনা হেন্না কনখিবনা ঐনা ঙমদুনা ফুটবোলসি শান্নরকখি। কনানসু থিঙবদি ঙম্লকখিদে।

ঐবু পোকপা বাবাসিসু অঙাং ওইরিঙৈদা লোকেলগী ওইনা ফুটবোল শান্নরকই হায়। বাবাদি গোল কিপ্পর শান্নরকই হায়না তম্মী। অদুনা বাবানা ঐঙোন্দা হায়বসি, ইপাদি নঙসে গোল কিপ্পর ওইনা শান্নহন্নিংই। য়াম্না মগুন লৈবা পোজিসননি। মরিন লৈতবা, থৌনা য়াওদবা মীনা গোল কিপ্পর পাক শান্নবা ঙল্লোই। য়ারগদি নহাক গোল কিপ্পর ওইনা শান্নৌ হায়খিবা লৈ। অদুবু ঐনদি পামখিদে। মদুগী মরু ওইবা মরমদি শান্নবা হৌরকপা মতমদদি ঐদি নুপা মরক্তা প্রেক্টিস তৌরকখি। ফিল্ডদবু চঙখ্রবদি ঐখোয় লোইনমক চপ মান্নখি। মাগী মাগী হৈজবশিংদু ফোর্স কন্না কন্না কাউদুনা শান্নবা ঙাক্তনি। নুপা মরক্তুদা ঐনা গোল কিপ্পর শান্নবদা নাতৈ চারোইদবদুসু ঐহাক উখি। অদুনা শান্ননিংখিদে।

... মথং মথং

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১০

১) অঙাং ওইরিঙৈদা ঐগী খুরাগা ফুটবোল শান্নবা চৎপদা ঐগা চৎমিন্নে। মহাক্না ফুটবোল শান্নরিঙৈদা ঐনা ভাবকশিংগী খোঙুপ কাপ থারগা পৈশা তাল্লি। ঐহাক কনানো? ঐসু ফুটবোল শান্নবদা অফাওবা ওইরকখি।

২) মহাক টেষ্ট ক্রিকেটরনি। বেটিং তৌবা মতমদা Right Hand Batsman নি। বোল্লিং তৌবদদি খুৎ ওইনা হুল্লি। মহাক টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবা টিম অমগী কেপ্টেন ওইরম্মী। মহাক্কী মমিং পীয়ু?

৩) China গী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইবী নুপী অমগী ফোটো অদু Sanitary Napkin গী advertise তৌখি। মহাক কনানো?

৪) Songjeelen করম্বা মশান্নগীদমক মমিং চৎলি?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারি ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা **hueiyensportsquiz@gmail.com** দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# রিএল কাশ্মির অমসুং মিনরভা পঞ্জাব এফ সি পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে




স্রিনগর, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী):

হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা য়ুম্বু টিম ওইখিবা রিএল কাশ্মির অমসুং মিনরভা পঞ্জাব এফ সি পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

স্রিনগরগী টি আর সি পোলো সিন্থেটিক টর্ফগ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুগী মাংওইননা মিনরভা পঞ্জাব এফ সি লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা মেচ ২ মায় পাক্লগা ৩ দ্রো চৎলবা মতুং ১ মায়থীদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৩শুবা থাক্তা লৈখিবনি। অমরোমদা রিএল কাশ্মিরগী টিম মেচ ৪ শান্নবদা ১ মায় পাক্লগা, ২ দ্রো চৎলগা, ১ মায়থীদুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা ৮শুবা থাক্তা লৈখি।

মেচকী হৌরকপা মিনট ২০ রোম লম্বা মান্নখি। ২১শুবা মিনটতা মিনরভা পঞ্জাবকী মায়কৈদগী সর্জিও বারবোজানা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট এম সোতেনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা য়ুম্বু রিএল কাশ্মিরবু ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

মখা তারকপা মিনট ২৪গী অহানবা হাফকী মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী চন্নবা ঙমদনা মিনরভা পঞ্জাবনা ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদা পাঞ্জল অমা শোত্থখিবা রিএল কাশ্মিরগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা ইক্বেলাইজর ফংননবা য়াম্না কন্না শান্নবা হৌরকখি।

শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা এটেক কন্না চত্থরকখিবা রিএল কাশ্মিরগী মায়কৈদগী কে হিগিনবোথমনা খাইরকখিবা বোল অমদা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় জি ক্রিজোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি।

পুন্না টিম ১১না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা ঙম্নবগীদমক মিনরভা পঞ্জাবকী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল থিরকখি। অদুবু রিএল কাশ্মিরগী দিফেন্দরশিং অদুনা মায়োক্নবা শান্নরোয়শিংনা পুশিল্লকপা বোল খুদিংমক পাঞ্জল ওইবগী খুদোংচাবা পীদুনা দিফেন্দ তৌবা ঙমদুনা টিম অনীমক ১-১দা দ্রো চৎখি। লীগ অসিদা কোলকতাগী মোহন বগাননা পোইন্ট ১৩ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mohun Bagan | 6 | 4 | 1 | 1 | 11 | 5 | +6 | 13 |
| 2 | Churchill Brothers | 5 | 3 | 1 | 1 | 11 | 6 | +5 | 10 |
| 3 | Punjab | 7 | 2 | 4 | 1 | 9 | 9 | 0 | 10 |
| 4 | Aizawl | 7 | 1 | 5 | 1 | 9 | 9 | 0 | 8 |
| 5 | Chennai City | 6 | 2 | 2 | 2 | 9 | 10 | −1 | 8 |
| 6 | Quess East Bengal | 5 | 2 | 2 | 1 | 8 | 5 | +3 | 8 |
| 7 | Gokulam Kerala | 5 | 2 | 1 | 2 | 7 | 7 | 0 | 7 |
| 8 | Real Kashmir | 5 | 1 | 3 | 1 | 6 | 7 | −1 | 6 |
| 9 | TRAU | 6 | 1 | 2 | 3 | 5 | 10 | −5 | 5 |
| 10 | NEROCA | 6 | 1 | 2 | 3 | 6 | 10 | −4 | 4 |
| 11 | Indian Arrows | 6 | 1 | 1 | 4 | 3 | 6 | −3 | 4 |

# সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল মায়থীবা নংখিবদগী মলেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে

কোলা লম্পুর, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী):

মলেসিয়াগী সিটি কোলা লম্পুরদা পাঙথোকপা বি দব্লীয়ু এফকী মখাদা লম্বা তৌনরিবা মলেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা নুপীগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়া মচা পি ভি সিন্ধু অমসুং মতম শাংনা ইন্টর্নেসনল বেদমিন্টনগী লমদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবী সাইনা নেহৱাল ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।






কুমজা ২০১৯দা নুপীগী বেদমিন্টনগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবী পি ভি সিন্ধু ঙসি মলেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবী চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংগা লম্বা তৌনবদা কা হেন্না ফজবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা গেম অনীমক ১৬-২১, ১৬-২১দা মায়থীবা নংখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী অতোপ্পা শান্নরোয় সাইনা নেহৱালসু ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগী মখুৎতা য়াম্না শোত্থনা ৮-২১, ৭-২১দা মায়থীখি। চাইনাগী হি বিং জিয়াও অমসুং সেন য়ু ফৈ মখোয় মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিং মায় পাক্তুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱর্ল্ড নম্বর ১ জপানগী কেন্তো মোমোতানা সেমি ফাইনেলদা মলেসিয়াগী লি জি জিয়াগা থেংনরগনি। অদুগা অতোপ্পা সেমিফাইনেলদনা দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেননা হোংকোংগী ঙাকা লোং এঙ্গসকা থেংনগদৌরি।

মোমোতানা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী হুৱাং য়ু জিয়াংবু ২১-২৩, ১৯-২১, ২১-৯দা মায় পাকপা ঙমখি। অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ ওইরিবা দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেননা চাইনাগী সেন লোংবু অকনবা লম্বা অমদা ২১-১১, ১২-২১, ২২-২০দা থোইখি। ঙা কা লোং এঙ্গসনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোয় জোনাথন খৃষ্টিবু ১৫-২১, ২১-১২, ২১-১৮দা থোইখি।

# ইন্দিয়ানা স্রি লানকাবু ৩শুবা টি-২০ মেচতা রন ৭৮দা মায়থীবা পীদুনা মেচ ৩গী সেরিজ লৌবা ঙমখ্রে




পুনে, জন্যুৱারী ১০(এজেন্সী):

স্রি লানকাগী ক্রিকেট টিমনা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা শান্নবা টি-২০ মেচ ৩গী ঙসি মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা লৈবা মহারাষ্ট্র ক্রিকেট এসোসিএসন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা মেচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৭৮দা থোইদুনা সেরিজ অদু মেচ ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, লৈবাক অনীগী অহানবা টি-২০গী মেচ অদু গুৱাহাটিদা শান্ননবা শেম শারিঙৈ নোং তারকপনা মরম ওইরগা শান্নবা ঙমখিদবনি। মদুগী মতুং মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা শান্নখিবা অনীশুবা টি-২০ মেচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৭তা থোইখিবনি।

মেচ অদুগী টোস স্রি লানকানা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখিবদা ইন্দিয়াগী বেটচমেনশিংনা অপীবা ওভর ২০গী মনুংদা ৱিকেট ৭খক আউট ওইরগা রন ২০১ লৌখি। ইন্দিয়াগী ইনিংস হৌরকপা ওপনর লোকেস রাহুল অমদি সিখর ধৱনগী মায়কৈদগী অফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি। রাহুল রন ৫৫ অমসুং ধৱন রন ৫২ লৌবা ঙমখি। মনিস পান্দে রন ৩১, ভিরাট কোলি রন ২৬ অমসুং সর্দুল থাকুর রন ২২ লৌখি।

মায় পাক্না রন ২০২ লৌনবা হোৎনরকপদা স্রি লানকাগী বেটচমেন ১০মক ১৬শুবা ওভরগী ৫ শুবা বোলদা রন ১২৩ খক লৌখিদগী মেচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৭৮দা থোইখিবনি। স্রি লানকাগী মায়কৈদগী ৬শুবা বেটচমেন ধনঞ্জয়া দি সিলভানা রন ৫৭ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মহাকপু চাওনা মতেং পাঙখিবা অতোপ্পা বেটচমেন অদু বোল ২০দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ১ য়ৈরগা রন ৩১ লৌখিবা এঞ্জেলো মেথিয়ুসনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নবদিপ সাইনিনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

২শুবা লাইরেম্বী কপ ২০২০

# চাঙমদবী এফ সিনা এন কে টি সি কৈথেলমানবীবু থোইখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০(ঐচএনএস):

নুঙব্রং এফ সিনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুঙদা চত্থরিবা চহী ১৩ মখাগী ২শুবা লাইরেম্বী কপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা চাঙমদবী এফ সিনা এন কে টি সি কৈথেলমানবীবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি। অদুগা ঐচ ই এস য়ুনা এন এফ সি (বি) নুঙব্রংবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখি।




ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা চাঙমদবী অমসুং এন কে টি সি কৈথেলমানবী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীমক মাংজিল থানা শান্নরকখি। হেক হৌবগা একাউন্ট হাংনবা লালোং কয়া শীজিন্নদুনা এটেক কয়া চত্থনখি। অদুবু টিম অনীমক্না অপীবা মতমগী মনুংদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী পেনাল্টি কাউনখি।

টিম অনীগী শান্নরোয়শিংনা পেনাল্টি কাউনবদা চাঙমদবী এফ সিগী মায়কৈদগী সুনিস খান জর্সি নম্বর ১০, রাজাক জর্সি নম্বর ১৩ অমসুং মিরৱাস জর্সি নম্বর ৬না পাঞ্জল অমমম চন্নখি। এন কে টি সি কৈথেলমানবীগী মায়কৈদগী সুনিল জর্সি নম্বর ১০ অমসুং কিসন জর্সি নম্বর ১৭না পাঞ্জল অনীখক চনবা ঙমখিবদগী চঙামদবী এফ সিনা ৩-২দা মেচ অদু থোইখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এন এফ সি (বি) নুঙব্রং অমসুং ঐচ ই এস য়ু হৈতুপপোকপী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাপ্তা ঐচ ই এস য়ুনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা ঐচ ই এস য়ুগী মায়কৈদগী সলাম খান জর্সি নম্বর ১১না অহানবা পাঞ্জল চনখি। অহানবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং মিনট ৮ লৈরগা টিম অসিগী শান্নরোয় মিরজা খাননা টিম অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

এন এফ সি (বি)গী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জলশিং হন্দোক্লবা অকনবা লম্বা পীরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইশিনখিবদা এন এফ সি (বি)গী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদবদগী ঐচ ই এস য়ুনা পাঞ্জল ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাপ শান্নবা হৌরকখি। মেচকী অহৌবা মিনট ৩শুবদা এন এফ সি (বি)গী মায়কৈদগী কামিনলিন জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং মিনট ২ লৈরগা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় ওমেস জর্সি নম্বর ৬না ইক্বেলাইজর চনখি। মখা তানা টিম অনীমক্না মেচ থোইনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনরকপদা ঐচ ই এস য়ুগী মায়কৈদগী শান্নবগী লোইরমদাই মিনত অমখক্তা ঙাইরবা মতমদা পাঞ্জল চনখিবদগী মেচ অদু মখোয়না এন এফ সি (বি)বু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

## মোদেল ক্লব অমসুং ৱাই দব্লীয়ু সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০(ঐচএনএস):

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৪শুবা টি সুবোল মেমোরিএল টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মোদেল ক্লব চিংঙামখা অমসুং ৱাই দব্লীয়ু সি লংথবাল মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা দি এস য়ু ক্বাকৈথেল অমসুং মোদেল ক্লব লম্বা তৌনখি। মদুদা মোদেল ক্লবনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১০৬ লৌখি। দি এস য়ু ক্বাকৈথেলনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৯৪ লৌখি। অদুগা ৱাই দব্লীয়ু সিনা রন ১০৪ লৌখিবদা চেম্পনা ওভর ২০দা রন ১০২ লৌখি।

# তুলেশ্বর অমসুং কাংজাম্বা সি ৱাই এল সি টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী নুপাগী দবলস ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০(ঐচএনএস):

মণিপুর টেন্নিস এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা এসোসিএসন ওফ টেন্নিস লভরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৭তগী হৌদুনা চিংঙামথক টেন্নিস কোর্টতা চত্থরিবা ৯শুবা সি ৱাই এল সি ষ্টেট ওপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা চহী ৪৫ মথক্কী মেন্স দবলসকী সেমিফাইনেলদা তুলেশ্বর অমসুং কাংজাম্বগী পেয়রনা দিলিপ অমসুং ইবোহলগী পেয়রবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা চহী ৪৫ মথক্কী মেন্স দবলসতা তুলেশ্বর অমসুং কাংজাম্বনা দিলিপ অমসুং ইবোহলবু ৬-১, ৬-১দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা চহী ৩৫ মথক্কী কাংলুপ্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা রাকেস অমসুং ইবোতোননা প্রেমজিৎ অমসুং জিতেনবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

পনবা য়াই, রাকেস অমসুং ইবোতোগী পেয়রনা মখোয়গী সেমিফাইনেল মেচতা নিংতম্বা অমসুং জয়ন্তাবু ৯-৫তা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা প্রেমজিৎ অমসুং জিতেনা মখোয়গী সেমিফাইনেল মেচতা রুপেন অমসুং বোনাবু ৯-৭দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা মেন্স সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেচতা বুসননা ইন্দ্রকুমারবু ৬-১দা অহানবা সেট মায়থীবা পীরবা মতুং অনীশুবা সেটতা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী মেচ অদু বুসননা থোইরগা ফাইনেলদা বিকিগা লম্বা তৌনরগনি। বিকিনা মহাক্কী সেমিফাইনেলদা প্রেমজিৎপু ৭-৫, ৬-১দা মায়থীবা পীখি।